হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯

# নেরোকা এফ সীবু মায়থীবা পীরন্নগা গোকুলম এফ সী ১০শুবদগী ৯শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৩ (ঐচএন এস)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগকী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা ঙসি কেরলাগী কোজিকোদতা লৈবা ঈ এম এস ষ্টেদিয়মদা হিরো আই লীগকী লীগ রাউন্দগী মেচ ওইনা য়ূম্থু গোকুলম এফ সী অমসুং মণিপুরগী নেরোকা এফ সীগা শান্নখিবা মেচতা গোকুলম এফ সীনা নেরোকা এফ সীবু মায়থীবা পীরন্নগা পোইন্ট টেল্লিদা ৯শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

লৈবাক অসিগী ফুটবোল ক্লব ১১না শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ খায়দোক্তুনা পাঙথোক্লিবা হিরো আই লীগ ২০১৮-১৯গী ওইনা নেরোকা এফ সীগা য়ূম্থু কেরলাগী গোকুলম এফ সীগা ঙসি নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু টিম অনীনা মায় পাক্লগা পোইন্ট ৩ ফংনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা অহানবা মীৎকুপ্তগী হৌনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ২৩শুবা মিনটতা নেরোকাগী শান্নরোয় মালেমঙানবা মীতৈনা দি বোক্সকী সেন্টরদা পীরকপা পাস অমা টিম অসিগী শান্নরোয় ফোরেন প্লেয়র ফেলিক্স চিদি ওদিলিনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা অঙনবা মতমদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

গোকুলম এফ সীগী মায়কৈদগীসু নেরোকা এফ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। নেরোকাগী মায়কৈদগীসু মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা এটেক চথরকপা হৌরকখি।

নেরোকাগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমা গোকুলমগী দিফেন্দর জর্সি নম্বর ৪ এন্দ্রে ইট্যানেনা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা গোকুলম এফ সীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথরবসু নেরোকা এফ সীগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু নেরোকা এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগী অহানবা মীৎকুপ মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা গোকুলম এফ সীগী দিফেন্দর জর্সি নম্বর ৫ দেনিএল অদোনা এম জোসেফনা এসিষ্ট তৌদুনা নেরোকা এফ সীগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল অমমমদা লৈনখি।

টিম অনীনা পাঞ্জল অমমম লৈনখ্রবা মতুং পোইন্ট অহুম ফংনবগীদমক অকনবা এটেক কয়া চথনরকপা হৌনরকখি। অদুবু টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখিবনা মেচকী ৭০শুবা মিনট ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈনখি।

মেচকী ৭১শুবা মিনটতা গোকুলমগী মিদফিল্ডর ইজোগু চিনেদু ইমান্যুএলনা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মেচকী ৮২শুবা মিনটতা গোকুলম এফ সীগী মায়কৈদগী চথরকপা ফজরবা এটেক অমা দেনিএল অদোনা মার্কস জোসেফতা পীরকপা ফজরবা পাস অমা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোক্তুনা মেচ অদু গোকুলম এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি। নেরেকাগী মায়কৈদগী মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা গোকুলমগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

| Club | P | W | D | L | GF | GA | GD | Pts. |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. Chennai City | 19 | 12 | 4 | 3 | 45 | 27 | 18 | 40 |
| 2. East Bengal | 19 | 12 | 3 | 4 | 35 | 19 | 16 | 39 |
| 3. Churchill Brothers | 19 | 9 | 7 | 3 | 34 | 21 | 13 | 34 |
| 4. Real Kashmir | 18 | 9 | 6 | 3 | 22 | 12 | 10 | 33 |
| *5. Neroca* | *19* | *7* | *5* | *7* | *25* | *23* | *2* | *26* |
| 6. Mohun Bagan | 19 | 7 | 5 | 7 | 24 | 26 | -2 | 26 |
| 7. Indian Arrows | 20 | 6 | 3 | 11 | 19 | 28 | -9 | 21 |
| 8. Aizawal FC | 18 | 4 | 6 | 8 | 21 | 26 | -5 | 18 |
| 9. Gokulam | 19 | 3 | 8 | 8 | 24 | 31 | -7 | 17 |
| 10. Minerva | 18 | 4 | 5 | 9 | 9 | 16 | -7 | 17 |
| 11. Shillong Lajong | 18 | 3 | 2 | 13 | 20 | 49 | -29 | 11 |

সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৱাই দি এ তেন্থা খুনৌ অমসুং লমজাও এফ সী লমজাও সেমী ফাইনেল চঙখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএন এস)ঃ দি য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন কৈরক মনিং লৈকায়না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা ৱাই দি এ তেন্থা অমসুং লমজাও এফ সী লমজাও সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ৩০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ১৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ১৭শুবা রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এফ সী লমজাও অমসুং এস এম এম সী সন্থেল শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা সেমী ফাইনেল লাইন অপ তৌবা ঙম্নবগীদমক অঙনবা মতমদগী হৌনা তক্নদুনা য়াঙনা শান্নরকপা উখি। অদুবু টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চথনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু পাঞ্জল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা এটেক মথং মথং চথনরকখি। মেচকী ৮১শুবা মিনটতা এফ সী লমজাওগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ জয়সন অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা রেদ কার্দ পীদুনা মেচ অদুদগী তান্থোকখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী টাই ব্রেক তাদুনা পেনালটি কাওনখি। পেনালটিদা এফ সী লমজাওনা এস এম এম সী সন্থেলবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীরন্নগা সেমী ফাইনেল চঙখি। এফ সী লমজাওগী মায় পাকপগী পেনালটিগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৫ সনাতোম্বা, জর্সি নম্বর ১৭ বিপিনচন্দ্র অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ সনায়াইমনা চনখিবনি। মায়থীহৌরবা এস এম এম সী সন্থেলগী পেনালটিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ২ এম দি রজিবনা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দি এ তেন্থা অমসুং কালিকা এফ সী সেকমাইজিন শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১০শুবা মিনটতা ৱাই দি এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ২ টি ঐচ জেমসনা কালিকা এফ সীগী মায়োক্তা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী মেচকী ৩০শুবা অমদি ৪১শুবা মিনটতা ৱাই দি এগী টি ঐচ জোনস অমদি টি ঐচ জেমসনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু ৱাই দি এ তেন্থানা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

# মণিপুর অমেচর করাটে-দো এসোসিএসনগী মীওই ৮ নেসনল সর্টিফাইদ কোচ ওইবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএন এস)ঃ ন্যু দেল্লিগী জনকপুরিদা ফেব্রুৱারী ২৮দা করাটে এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (কে এ আই) না শীন্দুনা অনৌবা কম্পিটিসন রুলগী মতাংদা মণিপুর অমেচর করাটে-দো এসোসিএসনগী জজসু ওইরিবা এসিয়ন করাটে ফেদরেসনগী জজ সিহান এম দি টলা অহম্মদ, সিহান টি ঐচ ইবুংঙোচৌবা অমসুং সেনসৈ সোইবম বিদেশ্বরি চনুনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা সেমিনারদা মণিপুর অমেচর করাটে-দো এসোসিএসনগী জজ ৮ নেসনল সর্টিফাইদ কোচ ওইবা ঙমখ্রে।

নেসনল সেমিনার অদুদা মণিপুর অমেচর করাটে-দো এসোসিএসনগী ওইনা মীওই ৮ অনৌবা রুলগী মতাংদা পাঙথোকখিবা এগজামিনেসন অদুদা শরুক য়াদুনা নেসনল রেফ্রি, জজ এন্দ সর্টিফাইদ কোচ ওইবা ঙমখিবনি।

এগজামিনেসন অদুদা মায় পাক্লবা মণিপুরগী করাটে নেসনল কোচশিং অদুদি বি গ্রেদ রেফ্রিদা সেনসৈ এল হেমামনি, বি গ্রেদ অমদি এ গ্রেদ কাটা জজতা সেনসৈ ৱাশিংটন মীতৈ, এ গ্রেদকী কুমিটে জজতা সেনসৈ এম ইবোমচা, সেনসৈ এম দি মজিবুর রহমন অমদি সেনসৈ এল জোতিনকুমার শর্মানি।

বি গ্রেদ কুমিটে জজ অমসুং বি গ্রেদ কাটা জজতা সেনসৈ এল সঞ্জিব, বি গ্রেদ কুমিটে জজতা সেম্পাই অরাম্বম গ্রেটসন অমদি সার্টিফিফাইদ কোচতা সেম্পাই ওমেস মাইমোমনি হায়না মণিপুর অমেচর করাটে-দো এসোসিএসন (এম কে এ) গী জোইন্ট সেক্রেটরি সিহান মুতুম বনকিমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এলেভেন ষ্টার এস য়ুনা টি আর য়ু জি পি য়ু, দি এস এ বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথরিবা ৭শুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা এলেভেন ষ্টার এস য়ুনা টি আর য়ু জি পি য়ু, দি এস এ বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙখ্রে।

টিম ১২না শরুক য়াদুনা চথরিবা তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এলেভেন ষ্টার এস য়ু অমসুং টি আর য়ু জি পি য়ু, দি এস এ বিষ্ণুপুর শান্নখি।

মেচ অদু এলেভেন ষ্টার এস য়ুনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা টি আর য়ু জি পি য়ুনা বোল কাওবা হৌখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নবা হৌখি।

অহানবা হাফকী তঞ্জাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চথনরবসু পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেচ অদু ০-০দা লৈনখি। মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা এলেভেন ষ্টার এস য়ুগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৯ এন রামেসনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এলেভেন ষ্টার এস য়ুনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা মায়কৈ অনীদগী ফাইনেল চঙনবগীদমক অকনবা এটেক কয়া চথনরকখি। মেচকী ৬৭শুবা মিনটতা এলেভেন ষ্টারগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১৭ টি ঐচ নিলকান্তনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু এলেভেন ষ্টারনা পাঞ্জল ২-০দা অমুক লৈখি। টি আর য়ু জি পি য়ুনা দি বোক্স মনুংদা এলেভেন ষ্টারগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা ফাওল তারুবদগী রেফ্রিনা পেনালটি কিক কাওনবগী খুদোংচাবা পীখি। পেনালটি কিক অদু এলেভেন ষ্টারগী শান্নরোয় এন রামেসনা মেচকী ৭৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকক্তুনা মেচ অদু এলেভেন ষ্টার এস য়ুনা পাঞ্জল ৩-০দা চাউনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

টি আর য়ু জি পি য়ুগী মায়কৈদগীসু এলেভেন ষ্টারনা পাঞ্জল ৩ মাঙজিল থানা চৎলবসু নিংহন্নবা লৈতনা অকনবা এটেক কয়া চথরক্তুনা এলেভেন ষ্টারগী পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এলেভেন ষ্টারগী মায়কৈদগী টি আর য়ু জি পি য়ুগী শান্নরোয়শিংবু লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা মেচকী ৮৭শুবা মিনটতা এলেভেন ষ্টারগী শান্নরোয় এন রামেসনা মহাক্কী অহুমশুবা পাঞ্জল চন্দুনা হেটট্রিক লৌদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ৪-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টি আর য়ু জি পি য়ু, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মায়কৈদগী এলেভেন ষ্টার এস য়ুগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জলশিং অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। অদুগা এলেভেন ষ্টার এস য়ু মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখি।

৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজ কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল

# চীংতম শঙাকফম অমসুং নাইন সাইনিং ষ্টার পুংদোংবম সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএন এস)ঃ চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজ কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (চালৌ কপ) ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা চীংতম শঙাকফম অমসুং নাইন সাইনিং ষ্টার পুংদোংবম সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম ২৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা সেক্তা-এ সেক্তা অমসুং চীংতম শঙাকফম শান্নখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতম ৩শুবা মিনটতা সেক্তা-এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ বিশ্বজিৎনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা সেক্তা-এনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মিনট খরা কান্নরগা মেচকী ১৪শুবা মিনটতা চীংতমগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ খাইমিনথাং লুংদিমনা সেক্তা-এগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অহানবা হাফকী লোইরমদাই মীৎকুপ মেচকী ২৮শুবা মিনটতা সেক্তা-এগী জর্সি নম্বর ৮ জিরাফনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সেক্তা-এনা পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা চীংতমগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নবা উখি। মেচকী ৩৯শুবা অমদি ৫০শুবা মিনটতা চীংতমগী শান্নরোয় খাইমিনথাং লুংদিমনা পাঞ্জল অনী অমগা চনশিন্দুনা হেটট্রিক লৌদুনা মেচ অদু চীংতমনা পাঞ্জল ৩-২দা অমুক মাঙজিল থারগা লৈখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা সেক্তা-এগী শান্নরোয়শিংনা চীং-তমগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি। অদুগা চীংতম শঙাকফম মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা লনগৈ এফ সী অমসুং নাইন সাইনিং ষ্টার পুংদোংবম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা মায় পাক্নবা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৬শুবা মিনটতা নাইন সাইনিং ষ্টারগী জর্সি নম্বর ১২ রোংতাননা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মেচকী ২৭শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় রোসন্না চনখিবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাইন সাইনিং ষ্টার পুংদোংবম্না পাঞ্জল ২-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফকী ৪৮শুবা মিনটতা নাইন সাইনিং ষ্টারগী সঞ্জিবনা পাঞ্জল অমা চনশিল্লগা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ৩-০দা চাউনা মাঙজিল থাখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপগী ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা লনগৈ এফ সীগী সহিদুরনা নাইন সাইনিং ষ্টারগী পাঞ্জল অমখক হন্দোক্লগা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা নাইন সাইনিং ষ্টার পুংদোংবম্না পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাক্তুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

# মণিপুরগী অহানবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট শান্নরোয় রেক্স রাজকুমার হরাউ তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, মার্চ ০৩ (ঐচএন এস)ঃ ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ টিমদা শরুক য়াদুনা কেরলাগী টিরুবনন্থপুরমদা সাউথ অফ্রিকাগী অন্দর-১৯ টিমগা নুমিৎ মরিনি শান্নবা ক্রিকেটকী মেচ ফোর্মেটতা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ টিমবু মায় পাকপদা চাউনা মতেং ওইখিবা মণিপুরগী রেক্স রাজকুমার মণিপুরগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা থুংলবগা মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা ওক্লবা মতুং লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মগী কনফরেন্স হোলদা ঙরাং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা শগোলবন্দ এ সীগী এম এল এ রাজকুমার ইমো অমদি এম সী এগী ওফিসলশিংনা শরুক য়াদুনা ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট চোংথাম চাউবা, সেক্রেটরি সিঙাম প্রিয়ানন্দ, জোইন্ট সেক্রেটরি লাইথাংবম বিনোয় অমদি হান্নগী সেক্রেটরি অয়েকপম বিরেন্দ্রনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা আর কে ইমোনা হায়খি, রেক্স রাজকুমারনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা সাউথ অফ্রিকাগী টিমগা শান্নখিবা ক্রিকেটকী মেচ ফোর্মেট অমদা ৱিকেট ৪ লৌদুনা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ টিমবু চাউনা মায় পাকপা পুরকখিবনি।

মহাক্না মায় পাক্লকপা অসিদা এসোসিএসন অসিগী য়াম্না অচৌবা এচিভমেন্ট অমা ওইবদা নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা ক্রিকেট মশান্নবু পামজনা শান্নরিবা শান্নরোয়শিং অমদি এসোসিএসন অসিগী ওফিসশিংদা নুংঙাইবা ফাওই হায়না ফোঙদোকখি।

এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি সিঙাম প্রিয়ানন্দনা ফোঙদোকখিবদা তুংদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙম্নবগীদমক তোঙান তোঙানবা ষ্টেট লেভেল টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোক্তুনা অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।



HL-B/5178/6/02-10/4(alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com